# ‘ইন্দিপেন্দেন্স দে’ গীদমক রেদফোর্টতা এন্টি–এয়ারক্রাফ্ট গনশিং খিনখ্রে, অকনবা চেকশিন– থৌরাং লৌখৎখ্রে



***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১৪ ঃ***
লৈবাকসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ৭২ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগীদমক নেস্নেল কেপিটেল অসিগী মরু ওইবা অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা লৈবাক মীয়ামদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাংগদৌরিবা ইতিহাসিক ওইরবা রেদফোর্টতা অকনবা সেক্যুরিটিগী থৌরাং লৌখৎখ্রে।

দিল্লিদা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোই লুচিংবা উমর খালিদতা এটেক তৌরকখিবা অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমদা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংগী মপানদা খারিবা সেক্যুরিটি বেরিয়র্সতা ঙসি কার অমা থেংগাইরকখিবা থৌদোক অদুগী য়েংলগা পুলিসশিং মীৎশিন–নাশিংনা চেকশিন্না লৈনখ্রে হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা হায়রি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা পার্লিয়ামেন্টকী মপানদা কার থৌজিন্দুনা থেংগাইখিবা অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি টেররগী ওইবা থৌওংনি হায়না লাওথোক্ত্রবসু পুলিসনা করিসু তৌরক্তবা য়াই হায়না হেক্তা লৈথোকপা য়াদে হায়না মহাক্না হায়খি।

লৈবাকসিগী কোনুংদা চাওরাক্না দিল্লি পুলিস পার্সোনেল ৭০,০০০ রোমনা ঙাক–শেল্লি অদুগা হয়েং প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাংবা অদু তাননবা সেনিয়ার মিনিষ্টরশিং, মকোক থোংবা ব্যুরোক্রেটশিং, মীরৈবাক্কী শক্লাইরবশিং অমসুং মীচম মীয়াম পুনগদৌরিবা মুগল মতমগী লানবন অদুদা পুলিস পার্সোনেল ১০,০০০ রোমসু ঙাক–শেনহল্লি।

রেদফোর্টকী অকোয়বা মফমশিংদা মফম মরাং খঙদবা তেলঙ্গাশিং পাইহন্দনবা দিল্লি পুলিস পার্সোনেলদা অতিয়াদা কুপশেন শেন্নদুনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

হৌখিবা চহীদা ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিত্তা লৈবাক মীয়ামদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাংলিঙৈদা পোদিয়ম অদুগী মখাদা অমুবা তেলঙ্গা অমা তাশিল্লকখিবনি। তেলঙ্গা অদুনা করিগুম্বা অকাইবা অমত্তা থোক্তনা তপ্না তারকখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনা মদুদা থোইনা য়েংশিল্লুদনা মহাক্কী ৱা ঙাংবা অদু মখা চখখি।

হয়েং অয়ূক পূং ১১ ফাওবা মফম অদুদা তেলঙ্গা পাইবদা অথিংবা থল্লবা ফাওবদসু তেলঙ্গা ফানবা পার্সোনেলশিং থাদোকখ্রে।

রেদফোর্ট মশামক্তা সি সি টি ভি কেমেরা ২০০ হেন্না খিন্দুনা লোয়ননা রেদফোর্ট তাবা লম্বীশিংদা অসিগুম্বা কেমেরা ৫০০ হেন্না খিনখ্রে। সি সি টি ভি কেমেরাশিংগী ফুটেজ অদু পূং ২৪ চুপ্না মোনিতর তৌগনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

হন্দক্কী ইন্দিপেন্দেন্স দে গী থৌরম অসিদদি থৌরম পাঙথোকফম অসি দিল্লি পুলিসকী নুপী ৩৬ না শাবা স্পিসিয়েল ৱিপন্স এন্দ টেক্তিক্স (স্বাট) নুমিৎসু মখোয়গী শিনফম মান্নবা নুপাশিংগা লোয়ননা ঙাক শেনগনি।

পুলিসনা হান্নবা মফম অদু এন্টি–সেবোতেজ চেকশিং পাঙথোকখ্রে অমসুং চিংননিংঙাই ওইবা মীওইশিং থিনবা মফম অদুগী হোটেলশিংদা চঙদুনা য়েংশিনখ্রে। লৈরিবা মীওইশিং অদুগী সেক্যুরিটি ওদিটসু মপূং ফানা লোইশিল্লে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

রেদফোর্টতা এন এস জি স্নাইপরশিং অমসুং কম্মান্দোশিংগী অখন্নবা টিম অমনা সেক্যুরিটি কোর্দোন অদুগী মনুং থংবা মরোল অদু ওইগনি। মসিগা লোয়ননা থোংশিংগুম্বা, প্রোজেক্টাইলশিংগুম্বা পোৎশকশিংনা অতিয়াদা চঙশিল্লকপগী থৌদোক খুদিংমক থুগাইনবা রেদফোর্টকী মথক্তা এন্টি–এয়ারক্রাফ্ট গনশিংসু খিনখ্রে।

সিটি অসিগী মফম পূন্নমক্তা পেরা–গ্লাইদিং, য়ু এ ভি (অনমেন্ট এরেয়েল ভেহিকল) শিং অমসুং হোট এয়ার বেল্লুনশিং য়াওনা নোংথক্তা চখবা থবক থৌওংশিং হান্ননা দিল্লি পুলিসনা অথিংবা থমখ্রে।

মসিদসু নত্তনা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাংগদৌরিবা মুগল ইম্পায়ার মতমগী লানবন–রেদ ফোর্টকা মায়োক্নবদা লৈবা বিল্ডিংশিংসু পুলিস অমসুং পেরামিলিটরি পার্সোনেলনা চেকশিন্না ঙাক–শেনগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগা লোয়ননা লারক্কদৌরিবা মহাক্কী খোঙবু অদুনা মহাক্কী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতগী রেদ ফোর্ট ফাওবদা চৎকদৌরিবা লম্বী পরীং অদুদা লৌখৎলিবা সেক্যুরিটিগী থবকশিং অদু সি সি টি ভি কেমেরা চা কয়ানা মোনিটর তৌগনি হায়রি।

# তর্কিনা য়ু এস কী ইলেক্ত্রোনিক পোথোকশিং বোয়কোট তৌরগনি হায়না এরদোগাননা লাওথোকখ্রে

***অঙ্করা, আগষ্ট ১৪ ঃ***
প্রসিদেন্ট রেসেপ তায়িপ এরদোগাননা য়ু এস না তর্কিগী মথক্তা থমজিল্লক্লিবা সেঙ্কসনগী অকনবা পাউখুম অমদা লৈবাক অসিনা য়ু এস তগী পুথোকপা ইলেক্ত্রোনিক্কী পোথোকশিং বোয়কোট তৌরগনি হায়খ্রে।

অমেরিকানা এভেনজেলিকেল পাষ্টর অমা ফাদুনা থম্নিবগী মতাংদা য়েৎনরিবা অদুগী মতাংদা য়ু এস না তর্কিদা সেঙ্কসনশিং থমজিল্লকখিবনি।

তর্কিগী সেল লিরানা ইষ্টানবুলদা নিংথৌকাবগী নুমিদাংদা দোল্লরগী মায়োক্তা ৭ নেম্বদগী নুমিৎয়ুংবদা অমুক হেন্না ৬.৫ তা নেমথখিবা অদুদগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খজিক্তং হাইগৎলক্লবসু য়ু এস না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অদুনা লৈবাকসিগী করেন্সি ক্রাইসিস অমা থোকহনখ্রে।

ঐখোয়না য়ু এস ইলেক্ত্রোনিক পোথোকশিং বোয়কোট তৌরগনি। করিগুম্বা মখোয়গী আইফোন লৈবা তারবদি অতোপ্পা নাকলদা সমসং লৈ। ঐখোয়গী লৈবাকসিদা ভেনস, ভেষ্টেল (তর্কিস স্মার্টফোন ব্রান্দশিং) লৈ হায়না তর্কিস প্রসিদেন্টনা হায়খি।

তর্কিগী মায়োক্তা চখরকপা হেন্না চাওবা অমসুং হেন্না লুশিনবা ওপরেসন অমনি হায়বদুনা অমেরিকাগী থৌরম অদুগী মায়োক্তা এরদোগাননা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মখোয়না দিপ্লোমেসি, মিলিটরি নৎত্রগা সোসিয়েল অমসুং পোলিটিকেল ইনষ্টেবিলিটি থোকহন্নবা হোৎনবত–নত্তনা ইকোনোমিবুসু ঐখোয়গী মায়োক্তা খূৎলাই অমা ওইনা শীজিন্নবা তোক্তে হায়না মহাক্না হায়খি।

অরোনবা পাউ লৌনবা স্পাইগী থবক তৌই হায়না মরাল শীরিবা অমেরিকান পাষ্টর এন্দ্রিয়ু ব্রন্সনবু মখা তানা ফাজিন্দুনা থন্নদগী তর্কি অমসুং য়ু এস গী মরক্তা খ্বাইদগী নৌবা ৱাথোক অসি থোক্লকখিবনি। তর্কিগী পোলিটিকেল মুভমেন্ট অমগী লুচিংবা অমসুং য়ু এস কী পেন্সিলভানিয়া ষ্টেটতা হৌখিবা চহী ২০ লোম লোয়দা লৈরক্লিবা ফেথুল্লাহ গুলেননা তর্কি প্রসিদেন্টবু মফম লৌথোক্নবা চখখিবা অমসুং মায়থিখ্রবা কূ এটেম্পট থা অহুমগী মতূংদা ওক্টোবর ২০১৬ দা ব্রন্সনবু ফাদুনা থমখিবনি।

য়ু এস কী মায়োক্তা প্রসিদেন্ট এরদোগাননা লেপ্লিবা অকনবা ফিরেপ অসিনা মহাক য়ু এস কা দিপ্লোমেটিক্কী খন্নরিবা অসি ৱারোইশিন পুরক্নবগী অপাম্বা থোইনা লৈতে হায়বা উৎলি। মহাক্না ৱাথোক অসিদা জুদিসিয়ারিনা মনীংতম্না থবক চখগনি অমসুং ব্রন্সনবু থাদোক্নবা খোঙথাংবু ৱাসিংতনদা নোঞ্জবগা মান্ননা লৈবাক অসিদা উখিগনি হায়খি।

য়ু এস কংগ্রেসনা অনৌবা রসিয়ান সোভরেন দেব্টতা শেন থাদবদা অথিংবশিং থম্বা অমসুং গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা রসিয়ান বেঙ্ক কয়াবু য়ু এস তা ওপরেট তৌবদা অথিংবা থম্বা য়াওনা লৈবাক পূন্নমক্তা কম্পনি অমা ফোংখি।

অঙ্করা অমসুং মোস্কোগী মথক্তা তৌরিবা য়ু এস সেঙ্কসনশিং অরানবা অমসুং তৌফম থোক্তবা পোলিসি অমনি অমসুং মালেমগী লল্লোন ঈতিক্তা খুদোংচাবা লৌনবগী ফত্তবা থৌওং অমনি হায়না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সেরগৈ লাবরোবনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়খি।

লাবরোবনা তর্কি কোনুং অঙ্করাদা মহাক্কী ফম মান্নবা তর্কিগী মেবলুট, কেভুসোগ্লুগা লোয়ননা পূন্না পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংখি।



# ভোট রিগ্গিংগী শীরক্লিবা মরালশিং পাক ইলেক্সন কম্মিসন্না য়েংশিনগদবনি হায়না প্রসিদেন্ট মামনূন হুসেননা ফোঙদোকখ্রে

***ইস্লামাবাদ, আগষ্ট ১৪ ঃ***
মহৌশা নত্তবা, থাজদবা খোঙথাং অমদা পাকিস্থানগী প্রসিদেন্ট মামনূন হুসেননা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমদা ৱা ঙাংবদা জুলাই ২৫ দা পাঙথোকখিবা মীখলশিং অদুদা রিগ্গিং তৌই হায়না মরাল শীরকপগী ৱাথোক অসিদা পাকিস্থান ইলেক্সন কম্মিসন্না শোয়দনমক্কী য়েংশিনগদবনি হায়খ্রে।

মহাক্কী ৱা ঙাংবা অদু মখা তারদুনা প্রসিদেন্ট হুসেননা মীখলগী থবকশিংবু মপূং ফানা মনুং মপান ফাওনা উবা থবক ওইহন্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ৱাকৎলক্লিবশিং অসি য়েংশিন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন্দা খঙহনখি।

লৈবাকসিগী ৭২ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে পাঙথোক্লবগীদমক ইস্লামাবাদতা লৈবা জিনা কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকপা ওফিসিয়েল ফংসন অমদা প্রসিদেন্ট হুসেননা ৱা ঙাংখি। ষ্টেট ইন্সটিট্যুসনশিংবু চপ চানা শক্তি লৈবা অমসুং মনীং মখা তম্বা ওইহনবা হায়বসি লৈবাক অসিগীদমক খ্বাইদগী মরু ওই হায়না মহাক্না হায়খি।

ক্রিকেটরদগী পোলিটিসিয়ান ওনখিবা ইম্রান খানগী পার্টি ওইরিবা পাকিষ্টান টেহরীক–ই–ইনশাফ (পি টি আই) না মায় পাকখিবা মীখলশিং অদু চুন্না পাঙথোকখিদে হায়না তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মরাল শীরকখ্রে অমসুং থিজিনবগী থবক চখনবা দিমান্দ তৌনরকখ্রবনি।

পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ–নৱাজ (পি এম এল–এন) গী প্রসিদেন্ট শাহবাজ শারিফনা জুলাই ২৫ গী মীখলশিং অদুদা ইতিহাসিক ওইরবা রিগ্গিংগী থবকশিং চখখি হায়না ঙরাং মরাল শীখি। মমাঙদা লৈরম্বা গভর্ণমেন্টশিংনা ইলেক্সন কম্মিসনবু চপ চানা শক্তি লৈবা অমসুং মনীংতম্বা ওইহন্নবা শেম্বা অনৌবা লোশিংগী মখাদা মীখলশিং অসি পাঙথোকপনি। গভর্ণমেন্টনা অনৌবা আইনশিং শেমদুনা ইলেক্সন কম্মিসন্না মপূং ফানা শক্তি লৈনবা, মনীংতম্বা ওইহন্নবা অমসুং মনুং মপাল ফাউনা উবা মীখল ওইহন্নবা হোৎনদুনসু গ্রূপ কয়ামরুমনা পেন্দবা ফোঙদোক্নরক্লিবশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনবা হায়বসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিষ্টানগী মথৌনি হায়না প্রসিদেন্ট হুসেননা হায়খি।

কাশ্মীর ৱাথোক অসি য়ু এন গী মখাদা লোইশিন্নবা পাকিষ্টান্না মখা তানা পোলিটিকেল অমসুং মোরেল সপ্পোর্ট পীগনি হায়না প্রসিদেন্টনা হায়খি।



# হিন্দুত্বাগী মওং অমত্তা থাজদে হায়না রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে

***হায়দরবাদ, আগষ্ট ১৪ ঃ***
কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মহাক অথোৎপা নৎত্রগা অকনবা হিন্দুত্বাদা লুহোংদে অমসুং হিন্দুত্বা মখল অমত্তদা থাজদে হায়খ্রে।

হায়দরবাদতা এদিটরশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা রাহুল গান্ধীনা মেজোরিটি কম্যুনিটিবু থেমনবা মহাক হিন্দুত্বা চৎলি হায়বদু য়াখিদে। মহাক্না লাইনীং লুচিংবশিং উন্নবা অমসুং লাইনীংগী মফমশিংদা চৎপদা অরানবা অমত্তা লৈতে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা লৈরিবা মহাক্কা খেন্নবশিংদি আইদিওলোজিকেলগীনি অমসুং লন্নাইগী নত্তে হায়খি।

হায়দরবাদতা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা লাক্লিবা রাহুল গান্ধীনা কুমজা ২০১৯ দা নরেন্দ্র মোদি প্রাইম মিনিষ্টর ওইররোই হায়না মাঙজৌনবা লাইবাও পীখি।

মহাক্না হায়খি, বি জে পি না লোক সভা সিট ২৩০ ফাওবা ফংলোই অমসুং মরম অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অমুক হন্না ওফিস পায়দুনা লৈগনি হায়বগী ৱাহং লৈত্রে। বি জে পি গী মশীং ককথগদৌরিবা অসি মরু ওইনা উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারদা বি জে পি নৎতবা পার্টিশিং এলাইয়েন্স তৌনখিবননি। শিব সেনা য়াওনা বি জে পি গী খোঙলোই কয়ামুক অনীশুবা তার্মগীদমক নরেন্দ্র মোদেনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবগী মায়াক্তা লৈ হায়নসু মহাক্না হায়খি।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট অসিনা বি জে পি মায়থিবা পীনবা অচৌবা এলাইয়েন্স অমা শেন্নবা ৱাখল মান্নবা পার্টিশিংনা থবক চঙশিল্লি হায়খি। সেন্টরদা মথংগী গভর্ণমেন্ট অদু কংগ্রেসনা লুচিংবা এলাইয়েন্সনা শেমগনি হায়না মহাক্না থাজবা পীখি।

চহীগী ওইনা থবক ক্রোর ২ পীনবগী মহাক্কী ৱাশক অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থবক পাঙথোকপদা মায়থিরে হায়না রাহুল গান্ধীনা হায়খি।



# তালিবাননা আফগান লান্মী ১৪ হাৎখ্রে

***মাজার–ই–শারিফ, আগষ্ট ১৪ ঃ***
আফগনিষ্টানগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মথক্তা তালিবানগী খ্বাইদগী নৌবা এটেকতা অৱাং থংবা আফগান আর্মি বেজ অমা ঙসি তালিবান ফাইতরশিংনা খুদুম চনখ্রে। লান্মী কয়া ফাখিবগা লোয়ননা লান্মী ১৪ হাৎখ্রে।

আর্মিগী ৱাঙাংলোই মোহবদ হানিফ রেজায়ী গী মতূং ইন্না নুমিৎ কয়ানি অকনবা মওংদা লাম্ভেংনরবগী তুংদা ইরাং লৈবা ফরয়াব প্রোভিন্সকী ঘোরমার্চ দিষ্টিক্তা লৈবা আর্মি বেজ অদু তালিবাননা খুদুম চনখিবনি। মতম অদুদা আর্মি বেজ অদুদা লান্মী ১০০ রোম লৈখি। নোংমৈ কাপ্নবা অদুদা তালিবান ফাইতরশিংনা য়ামদ্রবদা আফগান লান্মী ১৪ হাৎখ্রে হায়না মফমদুগী এম পি অমনা ফোঙদোকখি।

# য়েমেন বস এটেকতা অঙাং ৪০ শিখ্রে

***সানা, আগষ্ট ১৪ ঃ***
রিবেলনা পায়দুনা লৈরিবা অৱাং থংবা য়েমেনদা সাউদি আরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না স্কুল বস অমদা নোংথক্তগী এটেক চখরকপদা শিবা মীওই ৫১ গী মনুংদা অঙাং ৪০ য়াওরে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রেদ ক্রোসনা ফোঙদোকখ্রে।

সাউদি আরাবিয়াগা ঙমখৈ তায়নরিবা রিবেলগী অকনবা মফম অমা ওইরিবা সাদা প্রোভিন্সতা শগোলশেন নুমিত্তা চখরকখিবা এটেক অদুদা শোকখিবা মীওই ৭৯ অদুগী মনুংদসু অঙাং ৫৬ য়াওরি হায়না ইন্টর্নেস্নেল কম্মিটি ওফ দ রেদ ক্রোসনা হায়খি।

অঙাংশিং অদু স্কুল বসতা ইতিহাসিক ওইরবা মফম অমদা লম য়েংবা চৎলুবদগী হল্লকপদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

# বৈজিংনা য়ু এস তা আপিল তৌখ্রে

***বৈজিং, আগষ্ট ১৪ ঃ***
য়ু এস কী ইনভেষ্টমেন্ট রিভ্যু পেনেল অমগী জুরিসদিক্সন হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবা লো অমা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সহি তৌখিবগী মতূংদা চিনানা সেক্যুরিটিগী নুংনাংবশিংবু ব্যুজিনেস এক্টিভিটি অপনবা পীনবা ওইনা লান্না শীজিন্নদনবা ৱাংসিতনদা আপিল তৌখ্রে।

কম্মর্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাইনিজ কম্পনিশিংবু থবক্কী মতূং ইন্না ফজনা লোয়নগদবনি অমসুং নেস্নেল সেক্যুরিটি রিভ্যু অদু চাইনিজ–য়ু এস ইন্টরপ্রাইজেসশিংগী তেংবাঙনবদা অথিংবা পীরোইদবনি।

# পুনেদা লৈবা বেঙ্কতগী হেক্করশিংনা লুপা ক্রোর ৯৪ লৌথোকখ্রে

***পুনে, আগষ্ট ১৪ ঃ***
ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী লিরবা কোওপরেটিভ বেঙ্কশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা কোস্মোস কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদতগী হেক্করনি চিংনবশিংনা তোঙান তোঙানবা ফোরেন অমসুং দোমেষ্টিক বেঙ্ক একাউন্টশিংদা লুপা ক্রোর ৯৪.৪২ হাপচিনখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পুনেদা লৈবা চতুরশ্রিঙ্গি পুলিস ষ্টেসন্দা বেঙ্ক অদুগী একজিক্যুটিভ অমনা থাঙ্গৎলকখিবা ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট (এফ আই আর) গী মতূং ইন্না থাংজ অমসুং নিংথৌকাবদা বেঙ্ক অসিগী সিষ্টেমস অনীরক হন্না হেক তৌখ্রে।

আগষ্ট ১১ গী নুংথিল পূং ৩ দগী ১০ ফাওবগী মনুংদা অমসুং আগষ্ট ১৩ গী অয়ূক পূং ১০.৩০ দা হেক্করশিংনা এটেক তৌরকখিবনি হায়রি। হায়রিবা পূংশিং অসিগী মনুংদা গনেসখিন্দা রোদতা লৈবা বেঙ্ক অসিগী হেদক্কার্টরসতা মশক খঙদবা মীওই খরনা এ টি এম স্বিটস (সারভর্স) তা হেক তৌখি অমসুং বেঙ্ককী ভিসা অমসুং রুপে দেবিট কার্দ কষ্টমরশিংগী অরুবা দাটা ফংখি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

দেবিট কার্দ ৪০০ শীজিন্নদুনা লুপা ক্রোর ২.৫ কী মীনম্বা ট্রান্সেক্সন ২,৮০০ তৌখি। মসি বেঙ্কিং সিষ্টেমদা ইন্টর্নেস্নেল এটেক অমনি। কষ্টম একাউন্টতা শোক্তে, দম্মি কার্দশিং শীজিন্নখি অমসুং বেঙ্ক অদুগী স্বিটচিং সিষ্টেম হেক তৌখি। থিজিনবগী থবক চখরি হায়না কোস্মো বেঙ্ক চিয়ার্মেন মিলিন্দ কালেনা হায়খি।

চাওরাক্না পাবদা হেক্করশিং অদুনা ভিসা কার্দ ১২,০০০ গী ট্রান্সেক্সন্না লুপা ক্রোর ৭৮ লৌথোকখি অমসুং মদু হোংকোংদা লৈবা বেঙ্ক একাউন্টশিং য়াওনা মপান লৈবাক্তা ট্রান্সফর তৌখি। অদুগা অসিগুম্বা ট্রানসেক্সন ২,৮৪৯ না লুপা ক্রোর ২.৫০ গী শেনফম ইন্দিয়া মনুংদা ট্রান্সফার তৌখি। মদুগী অকুপ্পশিং অদু হৌজিক থিগৎলি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

বেঙ্ক অসিনা অসিগুম্বা হেক্করশিংগী থবক অসিগী মতাংদা থবক লৌখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা নিংথৌকাবা নুমিৎ আগষ্ট ১৩ দা চখরকপা অনৌবা এটেক অমদা হেক্করশিং অদুনা য়াম্না থুনা ট্রানসেক্সনশিং তৌদুনা লুপা ক্রোর ১৩.৯২ গী শেনফমশিং হোংকোংদা লৈবা হাং সেঙ বেঙ্কতা লৈবা এ এল এম ট্রেদিং লিমিটেদকী একাউন্টতা ট্রান্সফার তৌখি অদুগা শেনফমশিং অদু বেঙ্ক অদুদগী থুনা লৌথোকখি।

কুমজা ১৯০৬ তা লিংখৎখিবা পুনেদা হেদক্কার্টর ওইবা কোস্মো বেঙ্ক অসি লৈবাক অসিদা অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা অমসুং খ্বাইদগী লিরবা কোওপরেটিভ বেঙ্কনি অমসুং মন্টি–ষ্টেট সেদ্যুল বেঙ্ক অমগী ষ্টেটস ফংলি।

# নুপামচা রেপ তৌখিবা, হাৎখিবা মীওই শিবগী চৈরাক পীখ্রে

***দাতিয়া, আগষ্ট ১৪ ঃ***
মশাগী চহী ১৩ শুরবা নুপামচা অমবু রেপ তৌখিবা অমসুং হাৎখিবগীদমক মশাগী চহী ২০ শুরবা মীওই অমা মধ্য প্রদেশকী কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীনবগী রাই তাখ্রে।

দাতিয়াগী স্পিসিয়েল জজ হিতেন্দ্র দ্বিবেদিনা চৈরাক অদু ঙরাং নন্দ কিশোরদা পীখিবনি অদুগা মশাগী চহী ১৫ শুরবা একুজ অমদি জুবেনাইল কোর্ট অমদা ট্রান্সফার তৌখ্রে হায়না পাব্লিক প্রোজিক্যুটর পুস্পেন্দ্র কুমার গর্গনা হায়খি।

য়াওশঙগী অবের লৈবিগনি হায়দুনা অঙাং নুপামচা অদুবু মখোয়না থেমদুনা অহাংবা মফম অমদা পুথোক্লগা নত্তবা লীচৎ অদু চখখিবনি মদুগী মতূংদা হাত্তোক্লগা হকচাং অদু কেনেল অমদা থাদরম্বনি হায়না প্রোজিক্যুসন্না হায়খি। নুপামচা অদুবু হাৎলবা তুংদা মরাল লৈবা মীওইশিং অদুনা অঙাংদুগী ইমুংগী মীওইশিংদা লুপা লাক্ষ ১ গী রেন্সম দিমান্দ তৌখ। আই পি সি গী সেক্সন ৩৬৪ (এ), ৩০২, ২৭৭ অমসুং প্রোতেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুয়েল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্টকী মখাদা কিশোরবু মরাল লৈরে হায়না জজনা ওর্দর তাখি।


## Join ! Saruk Yabiyu !

**We are against the Inhuman Act, AFSPA**

[illegible]



**14th DEATH ANNIVERSARY OBSERVATION, 2018**

২১ শুবা চহী চাগী অথৌবা

To Commemorate the supreme sacrifice of the

**ATHOUBA PEBAM CHITTARANJAN MANGANG**

**"To Excel Right to Life"**

on 16th August, Thursday, 2018

SL/3904/15

**Immolated himself of 15th August, 2004 and succumbed to the injuries on 16th August, 2004 against rampant human rights violation under AFSPA in Manipur & Northeast**

* Rich Floral tribute at Bishnupur Bazar * Takhellambam Leikai Youth Club Mass Silent Rally from Takhellamba Leikai to TIDIM Ground * Public Meeting at TIDIM Ground

**ORGD. BY: THE MANIPURI STUDENTS' FEDERATION (M.S.F.)**


**সনা–সুদোকু –১২৬০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 3 | 1 | 2 | 6 | 4 | 7 | 5 | 8 |
| 7 | 8 | 6 | 9 | 1 | 5 | 2 | 3 | 4 |
| 4 | 5 | 2 | 7 | 8 | 3 | 6 | 9 | 1 |
| 3 | 2 | 8 | 1 | 7 | 9 | 4 | 6 | 5 |
| 1 | 7 | 5 | 4 | 2 | 6 | 3 | 8 | 9 |
| 6 | 9 | 4 | 3 | 5 | 8 | 1 | 2 | 7 |
| 2 | 4 | 9 | 5 | 3 | 7 | 8 | 1 | 6 |
| 5 | 6 | 3 | 8 | 4 | 1 | 9 | 7 | 2 |
| 8 | 1 | 7 | 6 | 9 | 2 | 5 | 4 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1261**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | | 1 |
| | | | | | 5 | | 4 | |
| 5 | | | | 9 | | | | |
| 8 | | | 2 | 5 | 7 | | | 4 |
| | | 7 | | | 3 | 2 | | 6 |
| | | 4 | | | | | 8 | |
| 2 | | 9 | 4 | | 8 | | | |
| 1 | | | 7 | | | | | 8 |
| 6 | | | | | | 9 | | 3 |